ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯵, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯲ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মার্চ ২৫, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৮শুবা চহী, ০০২শুবা মশীং

লাইদৌনা লাৎকদবা মীতৈ

মীতৈ মরক্তা মীনুখাং য়াওরকপা

মণিপুরদা লৈমিন্নরক্লিবা ফূরুপ ৩৪/৩৫গী মনুংদা য়েলহৌমী অমা ওইরিবা ‘মীতৈ’ সিবু লাই ওইনা লাৎপা য়াবা ফূরুপ অমা ওইদ্রিবরা? ৱাহংসি ফূরুপসিগী মীওইশিংসি হৌরকপদা লাইগা শম্নরম্মী হায়দুনা হংবা নত্তে। লাই ওইনা ঈরাৎ থৌনিনরিবা ইবুধৌ পাখঙবসু নিংথৌ ওইনা পাল্লমখি হায়বগীসু নত্তে। অদুদি ফূরুপ অসিগী মীওইশিংবু লাই ওইনা লাৎপা য়াবনি হায়রক্লিবসিগী মরম্না করিদগী ওইগদৌরিবা? ৱাহংসিগী মতিক চাবা পাউখুম লৈ। মরম অমসুং পাউখুম লৈবদগী হায়রক্লিবনি। মে ৩, ২০২৩দগী লমহেনবা চিন-কুকি-মিজো ফূরুপকী মীওই খুজোক অমনা শাহিং-ঙাহিং চাবা মানবগী তমথীরবা লান চথরকখ্রে। লানফম্না খ্বাং কোইরে, মোংফম্না খোঙদাফম লৈরক্ত্রে। য়ূম লিশীং ৫গী মথক্তা উৎ ওনখ্রে। লাইনীংগী মফমশিং ফাওবা লেম্না থাখিদ্রে। মীওই ২০০গী মথক্তা শিখ্রে। লো-এন্দ-ওর্দর ঙাকপগী থবকশিং পুল্লপ ফেল ওইখি। লৈঙাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন পুমতোই তোইখি। ওইরকখিবা ফীভম ময়ামসিদগী মণিপুরদদি ১৮শুবা লোক সভাগী মীখল পাঙথোকপা য়ারোই। লেপ্তুনা চথরক্লিবা লানসি লেপহন্দুনা ৱারোইশিন হান্না পুরক্কদবনি। মসি নৎত্রিবা ফাওবা মীখল পাঙথোকপা য়ারোই হায়খি। প্রোটেষ্ট ফাওবা তৌখি। ৱাফমশিংসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু তাখিদে। মীখলসিগী থৌবু অমসুং অরাংফম ওইরিবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী মনাদসু হাপখিদে। দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোন চৎনহনগদৌরিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তি শরক শিহনবা য়াদে হায়দুনা ইলেক্সনসিগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং লেপ্তুনা পায়খৎলকখি। মার্চ ১৬, ২০২৪দা মীখলসি পাঙথোক্কদবা মতম লাউথোকখি। হৌজিক্তি মার্চ ২০, ২০২৪দা মণিপুরগী তাঙ্কক অনীদা পাঙথোক্কদবা সিট ২গী নোটিফিকেসন ফাওবা থোকখ্রে। ইশম-শন্বদা মীখলসি পাঙথোকপদা চঙগদবা মথৌ তাবা থবক-থৌরমশিংগী থৌরাং মপূং ফানা লোইশিনখ্রে। মীখল অমা পাঙথোক্কদৌরিবনা মসিদা শরুক য়াগদৌরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং লন্নাই মীওই কয়ানসু মফি শেম্নরক্লিবসিনি।

অদুবু মীখলগী থৌরাংনা ফীভমসি য়ৌশিল্লকপদা খঙহৌদনা লাক্লিবা অহোংবদি লানগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা ফাওবা মীখল পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা লাউরম্বশিংগী খোঙফম হন্দোক্লগা মীখলসিদা শেল য়েনবা য়ারোই, মসল অমসুং মনি পৱার শীজিন্নরকপা য়ারোই হায়বরোমদা থৈথরকখিবনি। মসিদবু মীতৈ হায়বা ফূরুপসি ধুপ-থাওমৈ থাদুনা লাৎলোইদবগী মরম লৈব্রা? থিংলুবা য়াররোই, ঙম্লরোই অদুম্মক তৌখ্রনি হায়দুনা খোঙফম হন্দোকখিব্রা নৎত্রগা মীখলসি ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইনা পাঙথোকহল্লগা মতিক চাবা মীহুৎশিং খনগৎতুনা থারগা মণিপুরগীদমক তৌফম থোকপশিং তৌহন্নীংলিব্রা অমদি শোয়দনা ওইরম্লগনি। পূম্নমকসিগী মথক্তা মীতৈ হায়বা ফূরুপসি থায়নদগী হৌনা মশাগী চৎন-কাঙলোন অমসুং লিক্লম লৈজরকখিবা, তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবা মশক মুন্না খঙবা ফূরুপ অমা ওইরকখি হায়বসি পুৱারীগী লমায়শিংদা ময়েক শেংনা ইরিবনি। নাগালেন্দগী লালহৌলূপ এন এস সী এন - আই এমগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মরক্তা সিজ ফায়রগী ঙমখৈ লেপথোক্লবা ‘ৱিদাউথ টেরিটরিএল লিমিট’ হায়বা ৱাহৈশিং হাপচিল্লকপগী মায়োক্তা জুন ১৮, ২০০১দা হৌরকখিবা মীয়ামগী খ্বাইদগী চাউবা ঈহৌদুদবু নাগা ফূরুপ্তা ওনশিনদুনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহনখিব্রা? চহী খরগী মমাঙদগী কুকি অমসুং নাগা ফূরুপশিংনা পীকখ্রবা মণিপুরসিদা মখোয়গী লম, এরিয়া হায়বদগী হেন্দোরক্তুনা তোঙানবা হোমলেন্দগীদমক মঙনরক্লিবা মঙঙুম্বশিং মীতৈ ফূরুপ্তুগী থোকখিবা লৈখ্রবরা? মণিপুরগী লৈশেম্লোনদগীনা হৌজিক ফাওবদা মীতৈনা লৌরক্লিবা থৌদাংশিং শীংথাবনা ৱাৎলগদবনি। অদুবু লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা তিন্দুনা মশাগী মশা অমত্তা ওইনা লৈরকখিবদগীদি লৈবাকসিগী লৈবাক লৈঙাক্লোনগী খুদুং ইনদুনা লাকপা মীতৈ মরক্তুগী মীনুখাং, মীরৈহৎকী শক্তম লৌরকপা মীওইশিং য়াওরক্লব্রা হায়বসি হংদবা য়ারক্ত্রে, হায়রিবা মীওইশিংসি মীয়ামগী মীহুৎশিং অমসুং ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংগী মরক্তা য়াওরকপনি। মসিবু লৈবাকসিদা চৎনরক্লিবা এক্ট, রুল অমসুং লো ময়ামসিদা অসিগুম্বা থৌওংশিং চত্থনবা অকক্লবা প্রোভিজনগা য়াওবা জাৎলা? অৱাংবা চৌক্রিদবু ফমখ্রবদি মশা-মশাগী শিংলি-নাওরিদা চেনবা মীতৈগী অচুম্বা অশেংবা, ঙাংবগী-তৌবগী ঈ শিংদু খংহোং হোংখিবা ওইরমগদ্রা? মসিমক্তি মীতৈগীদা নত্তুনা ষ্টেটসিদা লৈমিন্নরিবা ফূরুপশিংগী লাইবক থীবনি। মখোয়সিবু খুজিলদা য়ুবা তুম, খুরক্কী ঈনা লাই শাবা, কাঙ্খ্বাদা চঙবা লিননি হায়রোইদবগী মরম লৈব্রা? অদুবু মখোয়না চপ তিংহনবা য়ারোইদবা হূই মমৈ ওইরবসু অচুম্বা অশেংবা লম্বীদা চৎনহন্নবগী থবক্তি থাক ৱাংনা লৈরিবা মীতৈ ফূরুপ্না মাঙজিল থানা হোৎনগদবনি। মীয়ামগী পৱারদগী হেন্না মপাঙ্গল কনবা পৱার অমমুক লৈত্রে হায়বসি মীয়াম্না মতম খুদিংমক্তা কাউথোক্লোইদবনি।

ꯂꯥꯏꯗꯧꯅꯥ ꯂꯥꯠꯀꯗꯕꯥ ꯃꯤꯇꯩ

ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯃꯤꯅꯨꯈꯪ ꯌꯥꯎꯔꯀꯄꯥ

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯥ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯳꯴/꯳꯵ꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯌꯦꯜꯍꯧꯃꯤ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ 'ꯃꯤꯇꯩ' ꯁꯤꯕꯨ ꯂꯥꯏ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯂꯥꯠꯄꯥ ꯌꯥꯕꯥ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯗ꯭ꯔꯤꯕꯔꯥ? ꯋꯥꯍꯪꯁꯤ ꯐꯨꯔꯨꯄꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯁꯤ ꯍꯧꯔꯀꯄꯗꯥ ꯂꯥꯏꯒꯥ ꯁꯝꯅꯔꯝꯃꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯍꯪꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ॥ ꯂꯥꯏ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯏꯔꯥꯠ ꯊꯧꯅꯤꯅꯔꯤꯕꯥ ꯏꯕꯨꯙꯧ ꯄꯥꯈꯪꯕꯁꯨ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯄꯥꯜꯂꯃꯈꯤ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤꯁꯨ ꯅꯠꯇꯦ॥ ꯑꯗꯨꯗꯤ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯕꯨ ꯂꯥꯏ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯂꯥꯠꯄꯥ ꯌꯥꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯒꯤ ꯃꯔꯝꯅꯥ ꯀꯔꯤꯗꯒꯤ ꯑꯣꯏꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯥ? ꯋꯥꯍꯪꯁꯤꯒꯤ ꯃꯇꯤꯛ ꯆꯥꯕꯥ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯂꯩ॥ ꯃꯔꯝ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯂꯩꯕꯗꯒꯤ ꯍꯥꯌꯔꯛꯂꯤꯕꯅꯤ॥ ꯃꯦ ꯳, ꯲꯰꯲꯳ꯗꯒꯤ ꯂꯃꯍꯦꯟꯕꯥ ꯆꯤꯟ-ꯀꯨꯀꯤ-ꯃꯤꯖꯣ ꯐꯨꯔꯨꯄꯀꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯈꯨꯖꯣꯛ ꯑꯃꯅꯥ ꯁꯥꯍꯤꯡ-ꯉꯥꯍꯤꯡ ꯆꯥꯕꯥ ꯃꯥꯅꯕꯒꯤ ꯇꯃꯊꯤꯔꯕꯥ ꯂꯥꯟ ꯆꯊꯔꯀꯈ꯭ꯔꯦ॥ ꯂꯥꯟꯐꯝꯅꯥ ꯈ꯭ꯋꯥꯡ ꯀꯣꯏꯔꯦ, ꯃꯣꯡꯐꯝꯅꯥ ꯈꯣꯡꯗꯥꯐꯝ ꯂꯩꯔꯛꯇ꯭ꯔꯦ॥ ꯌꯨꯝ ꯂꯤꯁꯤꯡ ꯵ꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯎꯠ ꯑꯣꯟꯈ꯭ꯔꯦ॥ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡꯒꯤ ꯃꯐꯃꯁꯤꯡ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯂꯦꯝꯅꯥ ꯊꯥꯈꯤꯗ꯭ꯔꯦ॥ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯲꯰꯰ꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯁꯤꯈ꯭ꯔꯦ॥ ꯂꯣ-ꯑꯦꯟꯗ-ꯑꯣꯔꯗꯔ ꯉꯥꯀꯄꯒꯤ ꯊꯕꯀꯁꯤꯡ ꯄꯨꯜꯂꯞ ꯐꯦꯜ ꯑꯣꯏꯈꯤ॥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯑꯦꯗꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯦꯁꯟ ꯄꯨꯝꯇꯣꯏ ꯇꯣꯏꯈꯤ॥ ꯑꯣꯏꯔꯀꯈꯤꯕꯥ ꯐꯤꯚꯝ ꯃꯌꯥꯝꯁꯤꯗꯒꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯗꯤ ꯱꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯂꯣꯛ ꯁꯚꯥꯒꯤ ꯃꯤꯈꯜ ꯄꯥꯡꯊꯣꯀꯄꯥ ꯌꯥꯔꯣꯏ॥ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅꯥ ꯆꯊꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯂꯦꯄꯍꯟꯗꯨꯅꯥ ꯋꯥꯔꯣꯏꯁꯤꯟ ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯄꯨꯔꯛꯀꯗꯕꯅꯤ॥ ꯃꯁꯤ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯃꯤꯈꯜ ꯄꯥꯡꯊꯣꯀꯄꯥ ꯌꯥꯔꯣꯏ ꯍꯥꯌꯈꯤ॥ ꯄ꯭ꯔꯣꯇꯦꯁ꯭ꯠ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯇꯧꯈꯤ॥ ꯋꯥꯐꯃꯁꯤꯡꯁꯤ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯁꯨ ꯇꯥꯈꯤꯗꯦ॥ ꯃꯤꯈꯂꯁꯤꯒꯤ ꯊꯧꯕꯨ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯔꯥꯡꯐꯝ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯏꯂꯦꯛꯁꯟ ꯀꯝꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯐ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ (ꯏ ꯁꯤ ꯑꯥꯏ) ꯒꯤ ꯃꯅꯥꯗꯁꯨ ꯍꯥꯄꯈꯤꯗꯦ॥ ꯗꯦꯃꯣꯛꯔꯦꯁꯤꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟ ꯆꯠꯅꯍꯟꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯥ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛꯇꯤ ꯁꯔꯨꯛ ꯁꯤꯍꯟꯕꯥ ꯌꯥꯗꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯏꯂꯦꯛꯁꯅꯁꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯂꯧꯈꯠꯐꯝ ꯊꯣꯀꯄꯥ ꯊꯕꯛ ꯊꯧꯔꯃꯁꯤꯡ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅꯥ ꯄꯥꯌꯈꯠꯂꯀꯈꯤ॥ ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯶, ꯲꯰꯲꯴ꯗꯥ ꯃꯤꯈꯂꯁꯤ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯕꯥ ꯃꯇꯝ ꯂꯥꯎꯊꯣꯀꯈꯤ॥ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯰, ꯲꯰꯲꯴ꯗꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯇꯥꯡꯀꯛ ꯑꯅꯤꯗꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯕꯥ ꯁꯤꯠ ꯲ꯒꯤ ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯊꯣꯀꯈ꯭ꯔꯦ॥ ꯏꯁꯝ-ꯁꯟꯕꯗꯥ ꯃꯤꯈꯂꯁꯤ ꯄꯥꯡꯊꯣꯀꯄꯗꯥ ꯆꯪꯒꯗꯕꯥ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯕꯥ ꯊꯕꯛ-ꯊꯧꯔꯃꯁꯤꯡꯒꯤ ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯅꯥ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯈ꯭ꯔꯦ॥ ꯃꯤꯈꯜ ꯑꯃꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯥ ꯃꯁꯤꯗꯥ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯥ ꯄꯣꯂꯤꯇꯤꯀꯦꯜ ꯄꯥꯔꯇꯤꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯟꯅꯥꯏ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯀꯌꯥꯅꯁꯨ ꯃꯐꯤ ꯁꯦꯝꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯅꯤ॥

ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯤꯈꯂꯒꯤ ꯊꯧꯔꯥꯡꯅꯥ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤ ꯌꯧꯁꯤꯜꯂꯀꯄꯗꯥ ꯈꯪꯍꯧꯗꯅꯥ ꯂꯥꯛꯂꯤꯕꯥ ꯑꯍꯣꯡꯕꯗꯤ ꯂꯥꯟꯒꯤ ꯋꯥꯔꯣꯏꯁꯤꯟ ꯄꯨꯔꯛꯇ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯃꯤꯈꯜ ꯄꯥꯡꯊꯣꯀꯄꯥ ꯌꯥꯔꯣꯏ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯎꯔꯝꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯈꯣꯡꯐꯝ ꯍꯟꯗꯣꯛꯂꯒꯥ ꯃꯤꯈꯂꯁꯤꯗꯥ ꯁꯦꯜ ꯌꯦꯟꯕꯥ ꯌꯥꯔꯣꯏ, ꯃꯁꯜ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯅꯤ ꯄꯋꯥꯔ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯔꯀꯄꯥ ꯌꯥꯔꯣꯏ ꯍꯥꯌꯕꯔꯣꯃꯗꯥ ꯊꯩꯊꯔꯀꯈꯤꯕꯅꯤ॥ ꯃꯁꯤꯗꯕꯨ ꯃꯤꯇꯩ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯐꯨꯔꯨꯄꯁꯤ ꯙꯨꯞ-ꯊꯥꯎꯃꯩ ꯊꯥꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯠꯂꯣꯏꯗꯕꯒꯤ ꯃꯔꯝ ꯂꯩꯕ꯭ꯔꯥ? ꯊꯤꯡꯂꯨꯕꯥ ꯌꯥꯔꯔꯣꯏ, ꯉꯝꯂꯔꯣꯏ ꯑꯗꯨꯝꯃꯛ ꯇꯧꯈ꯭ꯔꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯈꯣꯡꯐꯝ ꯍꯟꯗꯣꯀꯈꯤꯕ꯭ꯔꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯃꯤꯈꯂꯁꯤ ꯐ꯭ꯔꯤ ꯑꯦꯟꯗ ꯐꯦꯌꯔ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯍꯜꯂꯒꯥ ꯃꯇꯤꯛ ꯆꯥꯕꯥ ꯃꯤꯍꯨꯠꯁꯤꯡ ꯈꯟꯅꯒꯠꯇꯨꯅꯥ ꯊꯥꯔꯒꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤꯗꯃꯛ ꯇꯧꯐꯝ ꯊꯣꯀꯄꯁꯤꯡ ꯇꯧꯍꯟꯅꯤꯡꯂꯤꯕ꯭ꯔꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯁꯣꯌꯗꯅꯥ ꯑꯣꯏꯔꯝꯂꯒꯅꯤ॥ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯃꯤꯇꯩ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯐꯨꯔꯨꯄꯁꯤ ꯊꯥꯌꯅꯗꯒꯤ ꯍꯧꯅꯥ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯆꯠꯅ-ꯀꯥꯡꯂꯣꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯤꯛꯂꯝ ꯂꯩꯖꯔꯀꯈꯤꯕꯥ, ꯇꯧꯒꯗꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯇꯧꯔꯣꯏꯗꯕꯥ ꯃꯁꯛ ꯃꯨꯟꯅꯥ ꯈꯪꯕꯥ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯔꯀꯈꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯄꯨꯋꯥꯔꯤꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏꯁꯤꯡꯗꯥ ꯃꯌꯦꯛ ꯁꯦꯡꯅꯥ ꯏꯔꯤꯕꯅꯤ॥ ꯅꯥꯒꯥꯂꯦꯟꯗꯒꯤ ꯂꯥꯜꯍꯧꯂꯨꯞ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ ꯁꯤ ꯑꯦꯟ - ꯑꯥꯏ ꯑꯦꯃꯒꯥ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯁꯤꯖ ꯐꯥꯌꯔꯒꯤ ꯉꯃꯈꯩ ꯂꯦꯄꯊꯣꯛꯂꯕꯥ 'ꯋꯤꯗꯥꯎꯊ ꯇꯦꯔꯤꯇꯔꯤꯑꯦꯜ ꯂꯤꯃꯤꯠ' ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯋꯥꯍꯩꯁꯤꯡ ꯍꯥꯞꯆꯤꯜꯂꯀꯄꯒꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯇꯥ ꯖꯨꯟ ꯱꯸, ꯲꯰꯰꯱ꯗꯥ ꯍꯧꯔꯀꯈꯤꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯆꯥꯎꯕꯥ ꯏꯍꯧꯗꯨꯗꯕꯨ ꯅꯥꯒꯥ ꯐꯨꯔꯨꯞꯇꯥ ꯑꯣꯟꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯊꯣꯛꯍꯟꯅꯤꯡꯗꯕꯥ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯡ ꯊꯣꯛꯍꯅꯈꯤꯕ꯭ꯔꯥ? ꯆꯍꯤ ꯈꯔꯒꯤ ꯃꯃꯥꯡꯗꯒꯤ ꯀꯨꯀꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯥꯒꯥ ꯐꯨꯔꯨꯄꯁꯤꯡꯅꯥ ꯄꯤꯛꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯁꯤꯗꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯂꯝ, ꯑꯦꯔꯤꯌꯥ ꯍꯥꯌꯕꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯗꯣꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯇꯣꯡꯥꯟꯕꯥ ꯍꯣꯝꯂꯦꯟꯗꯒꯤꯗꯃꯛ ꯃꯉꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯃꯉꯉꯨꯝꯕꯁꯤꯡ ꯃꯤꯇꯩ ꯐꯨꯔꯨꯞꯇꯨꯒꯤ ꯊꯣꯀꯈꯤꯕꯥ ꯂꯩꯈ꯭ꯔꯕꯔꯥ? ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯂꯩꯁꯦꯝꯂꯣꯟꯗꯒꯤꯅꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯎꯕꯗꯥ ꯃꯤꯇꯩꯅꯥ ꯂꯧꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯊꯧꯗꯥꯡꯁꯤꯡ ꯁꯤꯡꯊꯥꯕꯅꯥ ꯋꯥꯠꯂꯒꯗꯕꯅꯤ॥ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯐꯤꯕꯥꯟꯅꯨꯡꯗꯥ ꯇꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯃꯁꯥ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯂꯩꯔꯀꯈꯤꯕꯗꯒꯤꯗꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟꯒꯤ ꯈꯨꯗꯨꯡ ꯏꯟꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯀꯄꯥ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯔꯛꯇꯨꯒꯤ ꯃꯤꯅꯨꯈꯪ, ꯃꯤꯔꯩꯍꯠꯀꯤ ꯁꯛꯇꯝ ꯂꯧꯔꯀꯄꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡ ꯌꯥꯎꯔꯛꯂꯕ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯍꯪꯗꯕꯥ ꯌꯥꯔꯛꯇ꯭ꯔꯦ, ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯁꯤ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯤꯍꯨꯠꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯕ꯭ꯌꯨꯔꯣꯛꯔꯦꯠ ꯑꯣꯐꯤꯁꯔꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯌꯥꯎꯔꯀꯄꯅꯤ॥ ꯃꯁꯤꯕꯨ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯗꯥ ꯆꯠꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯑꯦꯛꯠ, ꯔꯨꯜ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯣ ꯃꯌꯥꯝꯁꯤꯗꯥ ꯑꯁꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯊꯧꯑꯣꯡꯁꯤꯡ ꯆꯠꯊꯅꯕꯥ ꯑꯀꯛꯂꯕꯥ ꯄ꯭ꯔꯣꯚꯤꯖꯅꯒꯥ ꯌꯥꯎꯕꯥ ꯖꯥꯠꯂꯥ? ꯑꯋꯥꯡꯕꯥ ꯆꯧꯛꯔꯤꯗꯕꯨ ꯐꯝꯈ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯃꯁꯥ-ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯁꯤꯡꯂꯤ-ꯅꯥꯎꯔꯤꯗꯥ ꯆꯦꯟꯕꯥ ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯑꯆꯨꯝꯕꯥ ꯑꯁꯦꯡꯕꯥ, ꯉꯥꯡꯕꯒꯤ-ꯇꯧꯕꯒꯤ ꯏ ꯁꯤꯡꯗꯨ ꯈꯪꯍꯣꯡ ꯍꯣꯡꯈꯤꯕꯥ ꯑꯣꯏꯔꯃꯒꯗ꯭ꯔꯥ? ꯃꯁꯤꯃꯛꯇꯤ ꯃꯤꯇꯩꯒꯤꯗꯥ ꯅꯠꯇꯨꯅꯥ ꯁ꯭ꯇꯦꯠꯁꯤꯗꯥ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯔꯤꯕꯥ ꯐꯨꯔꯨꯄꯁꯤꯡꯒꯤ ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯊꯤꯕꯅꯤ॥ ꯃꯈꯣꯌꯁꯤꯕꯨ ꯈꯨꯖꯤꯜꯗꯥ ꯌꯨꯕꯥ ꯇꯨꯝ, ꯈꯨꯔꯛꯀꯤ ꯏꯅꯥ ꯂꯥꯏ ꯁꯥꯕꯥ, ꯀꯥꯡꯈ꯭ꯋꯥꯗꯥ ꯆꯪꯕꯥ ꯂꯤꯟꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯣꯏꯗꯕꯒꯤ ꯃꯔꯝ ꯂꯩꯕ꯭ꯔꯥ? ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯈꯣꯌꯅꯥ ꯆꯞ ꯇꯤꯡꯍꯅꯕꯥ ꯌꯥꯔꯣꯏꯗꯕꯥ ꯍꯨꯏ ꯃꯃꯩ ꯑꯣꯏꯔꯕꯁꯨ ꯑꯆꯨꯝꯕꯥ ꯑꯁꯦꯡꯕꯥ ꯂꯝꯕꯤꯗꯥ ꯆꯠꯅꯍꯟꯅꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛꯇꯤ ꯊꯥꯛ ꯋꯥꯡꯅꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯇꯩ ꯐꯨꯔꯨꯞꯅꯥ ꯃꯥꯡꯖꯤꯜ ꯊꯥꯅꯥ ꯍꯣꯠꯅꯒꯗꯕꯅꯤ॥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯄꯋꯥꯔꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯃꯄꯥꯡꯒꯜ ꯀꯟꯕꯥ ꯄꯋꯥꯔ ꯑꯃꯃꯨꯛ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯃꯇꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛꯇꯥ ꯀꯥꯎꯊꯣꯛꯂꯣꯏꯗꯕꯅꯤ॥

লৌমীশিংগী কাখল

লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

Q1. তিল্হৌ মপাল য়াম্না শারিবসি করিগীনো? অয়াম্বা তিল্হৌ মপাল লোইনা শারে হায়বা য়ারে। মরূবুদি য়াম্না চাউনা তারে। তাম্থোকপনা ফগদ্রা নৎত্রগা মরূ লৌগদ্রা? *- ওইনাম রঞ্জিৎ*

☞পান্বী খুদিংমক মশাগী চাদা-নাওদা শন্দোক্লবা মরূ নৎত্রগা মখল অমা নৎত্রগা অমনা মাগী জাত্তু মখা তাথহৌনবা হোৎনৈ। তিল্হৌসু মরূ (Seed) য়াম্না পুথোকই। মরূ লোক্লবা হোৎনবদা চহী অনী চংই। মরূ পুথোক্লবগীদমক মরূ (Bulb) ওইনা থাবসু লৈ। ঐখোয় শ্বাইসিদদি তিল্হৌ মরূ লোক্লদে। অদুবু করিগুম্বা য়াম্না শাবা, য়াম্না কংবা নৎত্রগা য়াম্না ঈংশিল্লকপা, উন তাশিল্লকপনচিংবদা মতম শুদ্রবসু মপাল শানবা হোৎনরকই। Stress তা য়াম্না Sensitive ওই। শম্না মপূন্সি তেনশিল্লবা, শিদ্রিঙৈদা মরূ পুথোক্লবা হোৎনৈ।

অরিবা চারা (নুমিৎ ৪৫নি হেনবা) ওইনা লিংথোকখিবা ওইরবসু মপাল শাৎকল্লি। মতম চাদনা মপাল শাদবা (Resistant to belting) হায়বা তিল্হৌ মখল লৈতে। Prema গুম্বা মতম চাদনা মপাল শাগন্দবা হায়বদি লৈ।

ফোটো উবদা তিল্হৌগী অশংবা মনা য়াম্না লৈরিবনিনা মপাল লোইনা ককথৎলসি, ঈশিং তোয়না পীসি, অশংবা তিল্হৌ মনা য়াওদ্রবা/কংখ্রবা মতুংদা লোক্লসি। মরূ লৌরোইসি।

Q2. কোবী থমচেৎ মমায়সি অমত্তা ওইনা পূন্না লৈগদবদু লৈতনা মচেৎ-মচেৎ চাইখাইনা লৈবা অমসুং থমচেৎ মরক্তা কোবী মনা অমা অনী লিখৎতুনা লৈরিবসি ফনবা করি হীদাক কাপকনি? মচীঞ্জাক ৱাৎপনরা? -
মাইবম খেল্লেম্বা, ৱাবগাই

☞ কোবী থমচেৎ কাবা হৌরকপা মতমদা অকোয়বগী নুংশিৎ অমসুং লৈবাক অনীমক শাবা হেনগৎলকপা অমসুং লৈবাক্তা ইনিলগী চাং হন্থরবদি থমচেৎ মমায়গী মরক্তা মনা য়াওগনি। Leafy curd হায়না খঙনৈ।

মপাল লাক্লমদাই অমসুং লাকপা মতম অনীমক্তা ঈশিং ৱাৎখিবা অমসুং শাগৎলকপা মতমদা লায়ওংসি উৎকল্লি। মপাল লাক্লনি খনবা মতমদদি ঈশিং তোয়না পীগনি। মসিনা সোইল মোইচর হেনগৎহনবদা নত্তনা সোইল টেম্পরেচর অমসুং পান্বীবু শাবা হন্থহল্লি। Evapotranspiration না পান্বীবু খরমখৈ ঈংথবা ঙমহল্লি, লায়ওংসি উৎপগী চাং হন্থহল্লি।

ঈশিং পীবদা চাং নাইদবদগী থমচেৎ ঈশন শন্দোক্লা, পূনশিন্নদনা (Loose-curd) লৈ। মসি নাইট্রোজেনগী চাং ৱাংলগসু থোকই।

ফোটোসি উবদা হন্দক্কী ওইনদি কক্লসি, মপূং ফারে। মথং চহীদদি থাগদবা মতমদুমক্তা চানবা ভেরাইটি খল্লগা থাবগী মতমগা চানহনসি। চপ চাবা মচীঞ্জাক পীসি। কাঙলোন চুম্না থাসি।

Q3. কোবী হোঙবসিদা কোবী লেনগদবা তল্লে। মতম শাংথনা থম্বসু য়াররোই। ঙসি, ঙরাং নোং খা তাবসিদা কোবী অমা/অনী পোকখায়বসু য়াওরে। করি তৌরগা শেল মাঙহন্দবা য়াগদগে? চাউবা হেনগৎহন্দনবা হীদাক লৈ হায় অমত্তা তাকপীরকউ।
-লাইশ্রম লোকেন, কৈবী

☞ কোবী হৌরিবা মফমদুদা অতোপ্পা পান্বীশিং অথুবদা থাগদবা লৈত্রবদি মতম খরা ঙাইথবা য়াই। ঙসি ঙরাং চুখিবা নোংমগী ঈশিংদু পান্বীনা য়াম্না থুনা চূপখৎপনা মরম ওইরগা কোবীশিং পোকখায়রবা মতুংদা মপান শানবা হোৎনরক্কনি। মসি কোবীশিংনা হান্না মপূং ফারবা অমসুং মমাঙদা ঈশিং য়াম্না ৱাৎখিবা, হৌজিক্লা ঈশিং মরাং য়াম্না কায়বননি।

মতম খরা থেংথনা কোবীশিং থম্নবা কোবী পান্বীদু নাকল অমদা ইন্থুবা য়াই। ইন্থুবদা মরা তঙ্খাই অমদি লৈমায়গী মথক্তা পুল্লপ হাইগৎহনগনি। অতোপ্পা নাকল অমগী মরাদু লৈবাক মনুংদা লৈহন্দুনা ঈশিং অমসুং মচীঞ্জাক হন্থনা ফংহনবনা নুমিৎ ১৫-২০দি খুইথহন্দনা থম্বা য়াগনি। চাউবা থিংনবা growth retardants শীজিন্নরোই।

Q4. হৈয়াই মচা মচা পানবা হৌরগা খুইজিল্লক্লে। মনাসু ইতেক তেক্লো উই। শিখিগদ্রা খল্লি। করি তৌরগা ফগদগে?”
-মুতুম রমনি, ৱাংখৈ

☞ গল্লাদা থাবা ওইরবদি ঈশিং পীসি। মপানগী লৈবাক্তা থাবা ওইরগদি খুইবা ফরল্লনি। ঙসি হুম্নি মরিনি নোং তাবসিদা মপূং ফানা চুপশিল্লল্লনি।

মপান শাবা মহৈ য়ানবা হৌরকপা মতমসিদদি ঈশিং য়াম্না চংগনি। মসা কা হেন্না লোংবা ওইরগদি মসা খরা লৌথোকসি।

এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা,
ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং
চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]
চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী
লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল
hueiyenagri@gmail.com **দা চিঠি**
থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।

মণিপুরদা লৌউ কৈথেলগী শক্তম

- এস সুমঙ্গল -

ইন্দিয়া লৈঙাক চাউই, মীশিং য়াম্মী, চাবীনবা য়াম্মী। সহরগী লমদি য়ামদে, খুঙ্গংগী লমদি য়াম্মী। লৌউ পোথোক্তি খুঙ্গংগী লমদা পুথোকই। মীশিংসু খুঙ্গংদনা হেল্লি। ইন্দিয়া পূম্বগী মীওইশিংবুদি খুঙ্গংদা পুথোকপা লৌউ পোথোক্লা থাক্লি। অদুবু খুঙ্গংদা লৈবা লৌমীশিং লায়রে, সহরদা লৈবা মীশিংনা ইনাক খুল্লি। মরমদি শেঞ্জাউ পায়বা সহরদা লৈবা ইন্দষ্ট্রিশিং, কোর্পোরেটশিং, লৈঙাকপশিং অমদি ব্যুরোক্রেটশিংনা ইন্দিয়াগী ইকনমিগী খুর্জিদি পায়শিল্লি। লৌউ ইন্দষ্ট্রিশিংগী মচাকশিং (রো মেটেরিএলশিং) লৌমীনা পুথোকই অদুবু শেন্দোংদি লৌমীনা য়াম্না ফংদে ইন্দষ্ট্রিএলিষ্টশিংনা হেন্না ফংই। মরম অদুনা লৌমীশিং লায়রে, সহরগী মীনা ইনাক খুল্লি। মরমদি লৌউ পোথোক্কী মমল লেপ্তে, মরম চাবা কাঙলোন চুম্বা লৌউ কৈথেল লৈতে। পোথোক পুথোকফমদগী কৈথেল য়ৌরকপদা মরক্কী খূৎ, খূথাং চাবী (মিদ্দলমেন) য়াম্মী, পুথোক্লিবা লৌমীগী মশাগী কৈথেল (হোল সেল মার্কেট) লৈতে। লৌমীশিংগী লৌউ পোথোক পুথোকফম খুঙ্গংদা শেল কয়া চঙনা অপনি মান্দি (ঈশাগী কৈথেল) কয়া, কোল্ড ষ্টোরেজ কয়া শাখ্রে অদুবু মফম চানা মশক থোকপা অমত্তদি উদে। শীজিন্নফম খঙদে। লৌউ পোথোক অয়াম্বদি কুইনা লীবা য়াদবা (পেরিসেবল) মরম্না অয়াম্বনি। খূথাং চাবী অমদি অরৈবা মীনা তুহৎপীখিবা তাবনি।

মণিপুরগী ওইনা য়েংলবসু লৌমী মশাগী ওইবা কৈথেল, মশাগী মিংদা লৈবা পোৎফম অমত্তসু লৈতে। লৌফমদগী পুথোকপা পোৎলমশিং মরূ ওইরিবা কৈথেলশিংদা ৱানা, ভরা চাউনা তিংদুনা পুখৎচরকপশিং কুইনা থম্বা য়াদ্রবা, পৎতুনা-পুমদুনা মাঙখিগদৌরিবা এঞ্জাং নাপীশিং, ঙাশিং মখোয়গীদি থম্ফম লৈতবনা কৈথেল মপূ ওইরিবা পোৎফম ফল্লিবশিংনা তুহৎতুনা মমল হোঙনা লৌবীহৌবা, শেন্দোং ফংদবা মশানা তাবনি। সহর ময়ায়গী লম্বী মপানশিং, নলা মপানশিং এঞ্জাং-নাপিশিং, ঙা-চাক য়োনবীশিংনা পীক থল্লি, পুলিসনা কোইতান তাল্লি, পোৎ চৈ চাইখাইবী। মসিনি মণিপুরগী লৌউ কৈথেলগী শক্তম।

অমরোমদনা লৌমীশিংগী শেম্নীৎলোন ফগৎনবা হায়দুনা লৈঙাক্কী ওইনা পীরিবা/লৈরিবা খুদোং চাবশিং/স্কিমশিং খুদম ওইনা - কৃষি শিনচাই যোজনা, পি এম কিষান সম্মান নিধি যোজনা, আর কে ভি ৱাই, নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি মিসন অসিনচিংবা কয়া অসিগী কান্নবা অশেংবা লৌমীশিংগী খূৎতা কয়া য়াম্না য়ৌরিবগে, হারশিংগী মরক্তা সবসিদি য়াওরিবা অমখক ওইরিবা য়ুরিয়া হারগী ৱাথোক চহী খুদিংগী তারিবা উরিবসিনা করিগী? ৱাহং কয়া কয়ানি লৈরিবা। অতোপ্পা হারশিংসু অদু মঙাই মমলশিং অতিয়া পক্লা ৱাংবনা লৌমীগী শেঞ্জং হেলহল্লি।

মরকসিদা অমুক লৌ উবদা চঙলিবা পোৎলমশিংগী -মরূ-মরাংশিংগী লৌ হীদাকশিংগী মমলদি মণিপুরদদি দিষ্টোর্সন কয়া অমনা অতিয়া পক্লা ৱাংবগা লোয়ননা খূৎশুমলসু অদুক্কী মতিক ৱাংলবা, থাও তাঙবনা ত্রেক্টর অমদি অতে লৌখাও লৌয়ৈ মেছিনশিংগী অৱাইমলসু অসুক্কী মতিক ৱাংলবা মতমসিদা লৌমীশিংনা ৱাক্তনা পুথোকপা ঙল্লিবা অসি থাগৎতবা ঙমদে মণিপুরগী লৌমীশিং। মণিপুরগী লৌউ লোয়শঙগী ফংলিবা এৱার্দশিং খুদম ওইনা কৃষি কর্মান এৱার্দ কনাগীসু মপান্না নত্তে লৌমীশিংগী ৱাজমন্ননি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়নীংই। অদুবু লৌউ লোয়শঙগী পুকচেলদি কয়াম শেংলিবগে হায়বদুসু এৱার্দ ফংলিবনীনা থাগৎতবদি ঙমদে।

অমরোমদনা অমুক ত্রেনিং কয়া পীদুনা, অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া অমা তম্বীদুনা পোৎলমশিং মতিক চানা পীথদুনা অমদি মদুগী কান্নবা কয়া ফংদুনা পোথোক য়াম্না পুথোক্লবসু য়োনফম্নবু/কৈথেলনবু মতিক চাদ্রবদি লৌমীশিংগী ওইনদি অমাঙবতা ওইবা তাবনি। কৈথেল মতিক চাহনসি, লৌমীগী ওইবা মশাগী হোলসেল কৈথেল মফম চানা চানা থম্বীসি, লীদুনা থম্বা য়াদবা পোথোকশিংগী মতম খরা লীদুনা থম্নবা কোল্ড ষ্টোরেজ মতিক চানা, মফম চানা থম্বীসি, চপ চাবা ষ্টোরেজ ফী লৌদুনা কোল্ড ষ্টোরেজ পান্নবা মী থমসি, লৌউ পোথোক্কী ট্রান্সপোর্ট সবসিদিগী থৌরাং পায়খৎসি। লৌউ পোথোক পুথোকপগী শেঞ্জং নীংথিনা লেপথোক্তুনা চপ চাবা অয়োনমন লেপথোকসি। মপানগী লমজাউ কয়া লৈবা মফমশিংদগী হোঙনা পুশিল্লক্তুনা লোকলগী পোথোক ঙা, য়েন, এঞ্জাং নাপীগী মণিপুরগী কৈথেলগী রেট থুগায়দুনা মমল হোঙথহল্লগা হোঙনা অমুক লৈরগা মপান্দা তাঙনা অমুক য়োল্লুবগী চৎনবী থুগায়সি। লৈশিনবীবা য়াবা পোথোকশিং লৈঙাক্লা মমল মতিক চানা পীরগা লৈশিনবীদুনা লৌমীগী অৱাবা কোকহনসি। হায়রিবা থৌরম খরা অসিদং নীংথিনা পুকচেল শেংনা পায়খৎপীবা মতমদা পোথোক পুথোক্লিবা লৌমীসু, লৈদুনা চারিবা খুদিংমক্কীসু য়াইফবা ওইগনি। ●

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্‌থৌলোল্‌ লম্‌পুপা’

(নিংথৌরোল লম্বুবা) - ১৩৩

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

ফমথৌ মঙাইরোই শামালনবশিং। নিংথৌ শগোলনবশিংগা য়াওনা। শেললোই লংমাই চীঙকানা। চীঙশাং কাংলীনাই। ঈলোক পাফন কাং। মোইনা তামুল কাং। ফেনতি শোলচাং কাংখিল কাংবু। মরিদা পরেং পরেং য়ালথনবা। পরেং লেংদুনা উবা কাংখিনবু হেকনা। থরো কাংক্রুম ওননা। কাং শাননমিনখিয়ে। কোরৌ নুমিৎ অমদি। নোংচুপ পাংঙল খুঙ। পোইরৈ মৈতৈ হারী নিংনাং খোনথোক খুঙ। কোনথাঙ চারল লেংবা খুঙ। থৌরী মিতম কোইনা উফম তানা য়েৎনা চিংনা শাননমিনখিয়ে। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯕꯥ'

(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -꯱꯳꯳

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯀꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯨꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ॥)

ꯐꯝꯊꯧ ꯃꯉꯥꯏꯔꯣꯏ ꯁꯥꯃꯥꯂꯅꯕꯁꯤꯡ॥ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯁꯒꯣꯂꯅꯕꯁꯤꯡꯒꯥ ꯌꯥꯎꯅꯥ॥ ꯁꯦꯜꯂꯣꯏ ꯂꯪꯃꯥꯏ ꯆꯤꯡꯀꯥꯅꯥ॥ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡ ꯀꯥꯡꯂꯤꯅꯥꯏ॥ ꯏꯂꯣꯛ ꯄꯥꯐꯟ ꯀꯥꯡ॥ ꯃꯣꯏꯅꯥ ꯇꯥꯃꯨꯜ ꯀꯥꯡ॥ ꯐꯦꯟꯇꯤ ꯁꯣꯜꯆꯥꯡ ꯀꯥꯡꯈꯤꯜ ꯀꯥꯡꯕꯨ॥ ꯃꯔꯤꯗꯥ ꯄꯔꯦꯡ ꯄꯔꯦꯡ ꯌꯥꯜꯊꯅꯕꯥ॥ ꯄꯔꯦꯡ ꯂꯦꯡꯗꯨꯅꯥ ꯎꯕꯥ ꯀꯥꯡꯈꯤꯅꯕꯨ ꯍꯦꯛꯅꯥ॥ ꯊꯔꯣ ꯀꯥꯡꯀ꯭ꯔꯨꯝ ꯑꯣꯟꯅꯥ॥ ꯀꯥꯡ ꯁꯥꯟꯅꯃꯤꯟꯈꯤꯌꯦ॥ ꯀꯣꯔꯧ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯑꯃꯗꯤ॥ ꯅꯣꯡꯆꯨꯞ ꯄꯥꯡꯉꯜ ꯈꯨꯡ॥ ꯄꯣꯏꯔꯩ ꯃꯩꯇꯩ ꯍꯥꯔꯤ ꯅꯤꯡꯅꯥꯡ ꯈꯣꯟꯊꯣꯛ ꯈꯨꯡ॥ ꯀꯣꯟꯊꯥꯡ ꯆꯥꯔꯜ ꯂꯦꯡꯕꯥ ꯈꯨꯡ॥ ꯊꯧꯔꯤ ꯃꯤꯇꯝ ꯀꯣꯏꯅꯥ ꯎꯐꯝ ꯇꯥꯅꯥ ꯌꯦꯠꯅꯥ ꯆꯤꯡꯅꯥ ꯁꯥꯟꯅꯃꯤꯟꯈꯤꯌꯦ॥ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।